# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




বিষ্ণুপুরগী খা পোৎশংবম পব্লিক গ্রাউন্দদগী হৌরক্লগা দি সী ওফিস ফাওবা চৎতুনা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা মহৈরোয়শিংনা মোদি, অমিট শাহ, সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ অমসুং হান্নগী এ আরগী দি জি নায়রগী মীতম মৈ থাখিবা


থম্মোয় পাউদম : থবক সূমীন্নবা য়ানবা, মীগা-মীগা ... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মণিপুরসি করি ওইহনগে হায়রিবনো?

নপা য়ান্নি মচা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ প্রোক্সি ৱার খুদক্তা লেপকদবনি হায়বা দিমান্দদা ...

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা সী পি আই (এম) গী... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি: ইন্দিয়ানা কোরিয়া থোইখ্রে


মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তা চৎখিবা রেল্লিদা শরুক য়াখিবী নুপী মহৈরোয় অমনা পাউমীশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মহৈরোয়শিংদা কা হেনবা থবক চথরে হায়দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবা




Vol. 48, Issue No. 161 | ইরাই, লাংবনগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, September 13, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## জিরিবাম : পুলিস ষ্টেসনদগী মিটর ১৫০ রোমদমক লাপ্পনা লৈবা পি ঐচ সী অমসুং য়ূম অমা মৈ থাদোক্লক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরিবামগী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চল্লিবা মীতৈ খুলশিং-নিংথেম খুনৌ (নুংচপ্পী) অমসুং মোংবুং য়াওনা খুল কয়াদা লান্দারক্তুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই অমসুং ভিলেজ ভোলন্টিয়র হাৎপগা লোয়ননা সনা-লুপা লুট তৌবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী মখারোমদা কিলোমিটর ৩০ রোম চৎলগা লৈবা বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগা শুপ্পন্নতগী মিটর ১৫০ রোম দমক লাপ্পবা মফমদা লৈবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী) অমা মৈ থাদোক্লম্বগা লোয়ননা মসিগী মনাক্তা লৈবা মীওই অমগী য়ূমসু মৈ থারক্লে হায়রি।

পাউচে অসিনা থৌদোক থোকখিবা মফমদা লৈবা খুঞ্জাশিংদগী ফংবা পাউনা হায়বদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদগী মশীং য়াম্লবা কুকি টেররিষ্টশিংনা মোংবুং মীতৈ খুলদা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকনবা লান্দা চথরকখ্রবা মতুংদা পি ঐচ সী অমসুং য়ূম অমা মৈ থারম্বগী থৌদোক অসি থোকখিবনি। ঙরাংগী এটেক অদুদা মোংবুং খুল খক্তা নত্তনা সৈজাং কুকি খুল লোমদগী মীতৈ অমদি বেঙ্গলিশিংনা খুন্দাবা মোংবুং খুলগী অৱাং থংবা শরুক্তসু এটেক তৌরকখি হায়রি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা অহানবদা বোরোবেক্রাগী পি ঐচ সীগী বিল্ডিং অদু থাও হৈজিন্দুনা মৈ থারবা মতুংদা মসিগী মনাক্তা লৈবা ঐচ নন্দকুমার কৌবা মীওই অমগী য়ূমসু মৈ থারমখিবনি। য়ূম অসি থোঙ লোনশিন্দুনা থম্বনি অদুবু মখোয়না থোঙ থুগাইদুনা চঙলগা মৈ থারম্বনি হায়রি।

য়ূম অসি মৈ চাকপা উরকপদগী পুলিস অমসুং লৈকায়গী মীয়াম্না চঙশিন্দুনা কন্নবা হোৎনখি। অদুগা মৈ থাদোক্লম্লবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



## লানগী পাউ : কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং এম এম জি শীজিন্নদুনা শুগুনুদা অহিং চূপ্পা লান্দারকখ্রে

### খুল ঙাকপশিংনা শীজিন্নরম্বা বঙ্করশিং ষ্টেট ফোর্স অমদি বি এস এফনা মহুৎ শিঞ্জিনখ্রে, কম্বাইন্দ ফোর্সনা শুগুনু এরিয়াদা থি-হুম্বগী থবক চথখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**

কুকি টেররিষ্টশিংনা অহুল্লকশুবা ওইনা থা অসিগী ৭তগী হৌরদুনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী টি লালোইফাই, দোংয়াং, লৈশুন তম্পাক্তগী শুগুনু অমদি তাংজেং খুনৌ তম্না নুমিৎ ৬নি চূপ্পা ঙসি অয়ূক ফাওবা অকনবা লান চথরকখিবগী মনুং চন্না ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.১০ রোম তারকপদগী হৌরক্লগা ঙসি অয়ূক অঙনবা ফাওবদা এম এম জি নোংমৈ শীজিন্নদুনা অমসুং বোম কাপশিল্লক্তুনা অকনবা লান চথরকখ্রে।

কুকি টেররিষ্টশিংগী লান অদু ষ্টেট ফোর্স অমদি খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদগী খূৎ হন্দুনা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা শুগুনু এরিয়াদা কম্বাইন্দ সিক্যুরিটি ফোর্সকী অপূনবা কাঙবু অমনা কোম্বিং ওপরেসন চথখি। ওপরেসন অসিগী মনুং চন্না শুগুনু এরিয়াদা লৈবা মীতৈগী খুল ঙাকপশিংনা শীজিন্নরম্বা বঙ্করশিং ষ্টেট ফোর্স অমদি বি এস এফ পর্সনেলশিংনা মহুৎ শিঞ্জিনখি। ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎনা লুচিংখিবা কম্বাইন্দ সিক্যুরিটি ফোর্স অদুদা ৩৭-এ আর অমদি শুগুনুদা লৈবা বি এস এফকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং য়াওনা শুগুনুগী লৈকায় খুদিংগী য়ূম-য়ূমদা চঙদুনা থি-হুম্বগী থবক চথখি। নুংথিল পুং ৩ তারকপা ফাওবদা চথখিবা ওপরেসন অদুদা খূৎশু খূৎলায় অমদি মীফা মীপূন তৌবগী পাউদি লৈখিদে। ...মখা লমায় ৬ কলম ৫



## টিয়র গ্যাসকী মনম্না মশা শোকচিনখিবনি হায়বী থা ৯গী অঙাং নাওপুরবী নুপী ১ রিমসতা পুখৎখ্রে

### ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩৬তা রিমসতগী থোরকপা চেরোল অমনদি মহাক আই সী য়ুদা ভেন্টিলেটর হাপ্তুনা থম্লি অদুগা মহাক্না নাওপুরিবা অঙাংগী হার্ট সাউন্দদি অলত্রাসাউন্দ স্কেনগী মতুংইন্না 'এবসেন্ট' ওইনা ফংলে হায়রকখি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১০দা কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা মহৈকোল অসিগী ফর্ষ্ট গেটতগী হৌরক্লগা অৱাং পাংনা ইম্ফাল-মোরে লম্বী পরিংদা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং ইবা প্লেকার্দশিং অমসুং বেন্নর পায়বগা লোয়ননা খোল্লাও ওইনসু লাউদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুবু থিংদুনা লাকশিন্নবা হোৎনরকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী টিয়র গ্যাস সেলনচিংবা কাপ্পা য়াওনা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্নরকপদগী পুলিসনা মহৈরোয় য়াওনা মীওই ৩৭ লোম ফাজিন্দুনা থমখিববু কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি



রিমসকী আই সী য়ুদা ভেন্টিলেটর হাপ্তুনা থৱায়গীদমক লান্থেংনরিবী লাইশ্রম নিঙোল নাওরেম ওংবী সঞ্জিতা

### ফত্ত-নুংদা থোক্লবদি এল কে সী সী সী, স্লকো অমসুং এল কে এম পি সী সীগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি : নাওরেম ৱিল্লিয়ম

হায়দুনা ঙরাং অমুক মখা তানা শীংজমৈ পি এস ময়া নক্না হায়রে পরিং অসিদা খোঙজং চঙশিনখিবশিংগা পুলিসকা মখা তানা মুক্নরকপদা কাপশিল্লকপা টিয়র গ্যাসকী মনম্না মশা শোকচিনখিবীনি হায়বা থা ৯গী অঙাং নাওপুরক্লবী নুপী অমা রিমসতা পুখৎলক্তুনা থৱায়গীদমক লান্থেংনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি কক্ৱা নাওরেম লৈকায়দা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা নহারোল য়াইফকোলগী জেনরেল সেক্রেটরি নাওরেম ৱিল্লিয়মনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা এজিটেটরশিং তানখায়বগী মিংদা টিয়র গ্যাস, মোক বোম কাপশিল্লকপনা মরম ওইরগা নাওরেম লৈকায়দা লৈবী লাইশ্রম নিঙোল নাওরেম ওংবী সঞ্জিতা (৩৪) মপুরোইবা নাওরেম দিপককী য়ূমগা নক্লনা শুপ্পন্নতগী ফুট ৫ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মিলিটেন্টশিং লাকশিনবগী মহুত্তা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং নমথবদা মায় ওনশিনবসি লাইবক থীবনি : আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুর

### 'ইন্টর্নেট থিংবদা ফাওবা চীং-তম খায়দোকপীবসি লৈঙাক্কী অনী থোকপা ফিরেপ্নি'

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা হৌজিক ইন্টর্নেট থিংবদা ফাওবা চীং-তম হায়না খায়দোক্তুনা তম্পাক্কী মফম খক্তদা থিংলিবসি মণিপুর লৈঙাক্কী য়াম্না দিভিসিপ ওইবা ফিরেপ্নি হায়রদুনা অথুবা মতমদা ইন্টর্নেট থিংজিল্লিবসি হাংদোক্লবগীদমক আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী মায়কৈদগী তকশিল্লক্লি।

ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ব্লোক অসিগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ূম শান্তনা হায়, ঙরাং আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দরগী ওইরক্লিবা ফীভমশিং মরু ওইনা দ্রোন শীজিন্নদুনা বোম থাদরকপা, মিসাইল কাপশিল্লকপা অমদি মসিগী মতুংদা খোঙজং কয়া লাকপগা লোয়ননা লৈঙাক্না ইন্টর্নেট থিংজিনবগী মতাং য়াওনা কূপ্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২



## সিক্যুরিটিগী এক্সনদা রিমসতা লায়েংখিবা মীওই ১০০গী মনুংদা ২ দিসচার্জ তৌদ্রি



সিক্যুরিটিগী এক্সনদা শোকপদগী রিমসতা লায়কন্নরিবা মহৈরোয় অনী

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১দগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথরকখিবা লান খংকন কনশিল্লকপগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিংনা হৌনরুবা তৌদনা থা অসিগী ৯দা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো অমদি রাজ ভবন তম্না থোমজিল্লক্তুনা চীফ মিনিষ্টর অমদি গভর্ণর হকথেংননা উনবগা লোয়ননা গভর্ণরদা চার্টর ওফ দিমান্দ তরুক পীশিল্লগা দিমান্দশিং অসিবু পুং ২৪গী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়দুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## থিনুঙ্গৈ : 'মণিপুর মূখৎপা য়ারোই' হায়দুনা য়াম্লবা নুপীশিংনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্তশিংদা মৈরা পায়বীশিংনা মখূৎতা মৈরা পায়দুনা নুমিদাংগী মতমদা 'মণিপুর মূখৎপা য়ারোই' হায়বা খোল্লাও য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোল্লাওশিং পুরদুনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখিবগী মখা তারকপদা ঙসি নুমিদাংসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী থিনুঙ্গৈদগী হৌরক্লগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ফাওবা য়াম্লবা নুপীশিংনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে।




খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা তম্পাক্তা কোম্বিং ওপরেসন চথবা য়ারোই, সিক্যুরিটি এদভাইজর অমদি দি জি পি লৌথোকউ অমসুং খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম থম্বাললৈমনা ফোঙদোকখিবদা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী ঙসি ফাওবা থা ১৬ হেন্না চথরক্লিবা লান অসিদা কুকি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুরুবা অহল ১ তমথীনা ফূরকপদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** ঙরাং অয়ূক অঙনবা পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা মোইরাং পি এসকী মনুং চনবা মোইরাং খুদেকপী ময়ায় লৈকায়দগী মশাগী চহী ৬২ রোম শুরবা ওইনাম জিতেন এলিয়জ ধোনো অপোকপা লৈখিদ্রবা ও নোবো কৌবা অহল অমা শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা তমথীনা ফূরগা ময়ূমদা অমুক থমজিল্লম্বদগী ইমুংগী মীওইশিংনা লায়েংনবা মোইরাংগী সী ঐচ সীদা পুখৎতুনা হোৎনরুবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে। লৈখিদ্রবগী হকচাং রিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে। অদুবু ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা অহল অসিগী হকচাং লৌশিনখিদ্রি হায়রি।

## চহী ৭৬ শুরবা পেসেন্ট ১ স্কাই হোস্পিটালদা মায় পাক্লা ঈ পি এস প্লস আর এফ এগী লায়েং চথখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী কাইরং মনীং লৈকায়দগী মশাগী চহী ৭৬ শুরবা জোদোব কৌবা অহল ওইরবা পেসেন্ট অমা চহী ৬/৭কী মমাঙদগী 'সিভিয়র পালপিটেসন' গী অনাবা লায়ওং য়াম্না তোয়না মায়োক্নরকপদগী রিমস রোদতা লৈরিবা স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্টর প্রাইভেট লিমিটেদতা মায় পাক্লা ঈ পি এস প্লস আর এফ এ পাঙথোক্তুনা লায়েংখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ূমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্ত্রি : পুলিস

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**



লম্ফেল পি এসকী ও সীনা থোরকপা চেরোল অমদা লম্ফেল পাৎকী কেন্দ্র বিদ্যালয় স্কুল মনাক্তা লৈবা থেকেচোম জিলা (৬১) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ মনিনা ঙসি ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা মহাক্কী মচানুপা অজয় (২৯) হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা য়ূমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা হঞ্জিল্লক্ত্রে। ইমুংগী মীওইশিংনা অঙন্বা পাম্বৈ পুথোক্তুনা মহাক্কী খোঙ্গুল লীরুবদা ফংবা ঙমদ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## নম্বোল-বিষ্ণুপুরগী খোঙজং : রেল্লি চৎতুনা মোদি, অমিট শাহ, কুলদিপ অমসুং নায়রগী মীতম মৈ থাখ্রে, দি সীদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী লান থা অসিগী ৩দা থা ১৬ মপূং ফাখিবগা ইরোয়ননা থা অসিগী ১দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন বোমিং চথরকপগা লোয়ননা রোকেট/মিসাইলনচিংবা কাপশিল্লক্তুনা মীচমশিং হাৎলকপা অমসুং মফম কয়াদা লানফম ওইরকপদগী কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী মীৎয়েং মখাদা মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লকখিবা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা খোঙজংগী মখা তারকপদা ঙসিসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী স্কুল/কোলেজ কয়াগী মহৈরোয়শিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখিবা মৈরা পায়বীশিংনা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎলবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর এল বিক্রমদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।




ঙসিগী খোঙচৎ অদু খা পোৎশংবম পব্লিকগ্রাউন্দগী হৌরক্লগা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস কমপ্লেক্স ফাওবা চৎখিবনি। খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা ইন্দিয়াগী প্রোক্সি ৱার খুদক্তা লেপ্পু, মীতৈগী মায়োক্তা প্রোক্সি ৱার চথগনু, মীতৈ হাৎনবা তৌবা ইন্দিয়াগী পোলিসি খুদক্তা লেপ্পু, গো বেক সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সেস, ঐখোয়গী ইরৈবাক ঐখোয়না ঙাকচগদবনি, ষ্টোপ দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি হায়না থাবা প্লেকার্দশিং পায়খিবগা লোয়ননা ৱাহৈশিং অসি খোল্লাও ওইনসু লাউখি।

মহৈরোয় অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াদুনা চৎখিবা রেল্লি অদু পোৎশংবম থোং খরা হেন্দোরকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, মণিপুরগী সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ অমসুং এ আরগী হান্নগী দি জি, পি সী নায়রগী মীতমশিং মৈ থাখি।

মীতমশিং মৈ থারবা মতুংদা দি সী ওফিস কমপ্লেক্স হাইজিনফম ফাওবা লাক্লগা স্কুল অমসুং কোলেজশিংদগী খনগৎলবা মহৈরোয় ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কৌক্রুকতা বোম থাদরকপা লৈত্রি হায়না থাগৎলুবগীদমক মীয়ামদা শোয়খ্রে হায়জখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৮দা শগোলবন্দ সয়াং কোন্থৌজম লৈকায়দগী অধিকারিময়ূম সরিতা কৌবী নুপী অমনা মহাক্কী ফেসবুক পেজদা লাইভ থাদুনা নুমিৎ অদুগী ওইনদি কৌক্রুকতা বোম থাদরকপা লৈত্রি হায়না থাগৎলুবগীদমক লৈবাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫